# রাম লাল পোল স্কুলদা তম্লক্লবসু ইন্টর স্কুলগী ফুটবোল শান্নবদি ঐহাক খুরাই পোপ্যুলর স্কুলগী মমিংদা থোরকখি : অখুবা কবুই



টি ঐচ অখুবা কবুই
ভেটরান ফুটবোল্লর




## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
### অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং

(হান্নগী মখা...)

রাম লাল পোল স্কুলগী হেদ মাষ্টর ওইনা ওজা শিতলজিৎনা ফবসিদি হায়নীংঙাই লৈতে। হৌজিক্কান্দা ইংলিস স্কুলদা তৌরিবসি য়াম্না ঙন্না ওজা শিতলজিৎনা তৌখ্রে। মহৈরোয় পূম্নমকসি লূ-নান্না, তরু-তরুবা ফিজোল শেৎতুনা, চন্দনগা ফজনা থিল্লগা কারক্তবা য়াদে। স্কুলগী ভেরেন্দা কাখৎলকপদা লাইবক কৎপা, ক্লাস রুমদা চঙবদসু লাইবক কৎলগা চঙহনবা মসি তন্বীরকখ্রবনি।

স্কুলগী য়ুনিফোর্ম শেৎপদা, স্কুলগী মমিং য়াওবা বেজ থেৎলক্তবা য়াওবসি এসেমব্লিদা মশক খঙদোক্লগা অদুম শেৎথবনি। ঐখোয় কবুই মচাশিংদি চন্দোন থিন্দ্রবসু য়াই। মহাক্তি লাইরিক লাইশুগী মঙাল নিংথিনা ফংবা ওজানিনা মীগী ধর্ম্মদা খূৎ থিংজিনবা মদুগুম্বসু তৌদে অদুবু ঐখোয় কবুই মচাশিং শম শাংবা, ফুরিৎকী কোলর মুরবা, ফিরোল মোৎনা শেৎ চারবদি, ঐখোয়সু শেৎথরে। স্কুল কারকপা মতমদা চমোৎ-চমোৎ তৌবসি মাদি শুকয়া য়াদে। ওজা মশামকসু য়াম্না নাল্লি। তমজনীংঙাই ওইবা মগুণসু য়াম্না য়াওই। কুমজা ১৯৭০গী মতমদা রাম লাল পোল স্কুলদা লৈরম্বা ওজাগা মহৈরোয়গা অনীগী মরীসিদি করি হায়গনি ওন্থোক্লা ফজখ্রবা মরীনি।

ওজানা মহৈরোয়শিংবু নুংশিনা তৌবীবা, মহৈরোয়শিংনসু কিনা নুংশিনা নোল্লুক্লা লোইনজবগী মতৌসিদি ঙসিগী মীরোলদা অমত্তা উবা ফংদ্রে। মতমদুগী লাইরিক খূৎতন্বীদুনি ঐনা য়াম্না কল্লকচবদি। স্পোর্টস পামজবগী শান্নবদা খরা হেন্না পূক্নিং লুপখ্রগসু, ক্লাস সিক্সতগী টেন ফাওবা লাইরিক ফজনা তন্বীরকখিবদুনা ইশাগী হৈফম থোকপা অদুফাওবদি হৈজরকখি।

রাম লাল পোলদা লাইরিক তন্বীরকপগী মওংসিসু ঐহাক খরদং পাউদমজনীংই। স্কুল অসি মণিপুরগী ওইনা লাইরিক লাইশুগী মতাংদা খরা ঈজৎ লৈবা স্কুলসু ওইরকখি। স্কুলসিদা ওজা ওইরিবা পূম্নমকসু তাকপী তন্বীবা হৈবা মীওই ঙাক্তা ওইবা মরম্না রাম লাল পোল স্কুলসি মীয়াম্না ইকায়খুম্নবা স্কুল ওই। ঐখোয়না তম্বা মতম অদুৱাইদা ওজা নুপী অমত্তা য়াওদে। ওজা নুপা ঙাক্তনা তাকপী তন্বীরকই। লাইরিক তন্বীবা মতমসিদা ক্লাস ক্লাসকী ওইবা অকক্নবা রুল ময়াম অমা লৈ। থা খুদিংগী ইগজাম মচা মচা অদুম তৌই। মদুদা খরা শোনবা মহৈরোয় য়াওরবদি মাগী পেপরদু মশাদা পীরোই। ময়ূমগী এদ্রেস ফজনা লৌরগা ওজা মশানা নৎত্রগা স্কুলগী চন্স্প্রাসি থারগা ময়ূমগী মমা মপাদা শিন্নরগা নচানুপাসি অঙ্কদা খরা শোল্লি, সাইন্সতা খরা শোল্লি ঐখোয় কন্না অমুক্তা হোৎনমিন্নসি হায়রুগনি। স্কুলদনা ঐখোয় কন্না হোৎনজরক্কে। ইমুং মনুংনসু অঙাংসি খরা চেকশিন্না য়েংশিনবীরকউ, অমুক্তা পূন্না হোৎনমিন্নসি হায়দুনা চৎকনি। চৎপা মতমদুদা গার্জিয়ানগী অয়াবা লৌদুনা সাইন তৌরগা পুরক্কনি। অদুনা মহৈরোয় অয়াম্বসি চাংচৎতা লাইরিক লোইনা হৈনৈ।

হেদ মাষ্টর ওইরিবা ওজা মশামকসি কৈদৌনুংদা তুমিন্না লৈথোক্তে। ওজা ময়াম্না ক্লাস তৌরিঙৈদা মানা তুমিন্না রাউন্দ চৎলগা য়েংগনি। কনা কনানা লাইরিক ফজনা তন্বীবগে হায়বসি য়েংগনি। ছুটি লৌখিবা ওজাশিংগী মহুৎসু মহাক্না হেক্তা মহুৎ শিন্দুনা চঙলগা তাকপীগনি। স্কুলসিগী মরমদা ঐনা ৱারী খরা পঙ্গরিবসি ঐনা করম্না রাম লাল পোল স্কুলদগী ফুটবোল শান্নরকখিবগে হায়বদু মরীক চুম্না লিজনীংবগীনি।

রাম লাল পোল স্কুলগী ওজাশিংদুসু ঐহাক অমত্তা ঙসিফাওবা কাউদ্রি। ফৈজোম নান্না শেৎপা, ৱাং চাউবা ওজা অপাবীগী কিন্না অমুক্তং খেৎখ্রবদি লোইরে। অতৈ ওজাশিং ওজা হাওবম তোম্বা, পোৎশংবম ওজা তোলহল, ওজা লালকহ্নাই, য়ূম্নাম লৈকায়গী ওজা ইবোতোম্বী, সাইন্স তন্বীবা অতপ্পা ওজা মোধু, ইংলিসকী ওজা কাংজম পদ্মকুমার য়ামখ্রবা ওজানি।

ফৈজোম শেৎলবসু, খোংগ্রাউ শেৎলবসু ওজাশিং অসি য়াম্না নান্না নান্না লাকই। ওজা ময়ামসিগী মনুংদা ঐখোয়না য়াম্না পামজরকপসিনা ইংলিসকী ষ্টাইল খরা চঙবা ওজা পদ্মকুমারসিনি। মাগী ষ্টাইলসিদি অতৈগা খরা খেন্নৈ। মশমগসি তেন্না কক্লগা তাই ফজনা পুল্লগা খোঙউপকসি লংত্রিক লংনা কাপ থারগা তোঙই। অদুগা মানা ইংলিস তাকথরকপসিদি হৈখ্রবজাৎনি। ওজা পদ্মকুমারদি পুরা ইংলিসমেননি। মানা পাড়া তাকপা মতমসিদি ঐখোয় য়া কারগা তাবনি।

ওজা ময়ামসিগী মনুংদা গেমসকী ওজা ওইরিবসিনা শিংজমৈদগী ওজা শ্যামজাইনি। রাম লাল পোল স্কুলসিদা ঐখোয় খরা অমদি লাইরিকসু তম্না তম্না ফুটবোল য়াম্না পাম্না শান্নে হায়বসি ওজা শ্যামজাইনা খঙই। অদুনা মানা ইফোং ফোংনা অদুম হায়, ঐখোয় স্কুলসিদি ওজা হেদ মাষ্টরনা লাইরিক্তনা খরা হেন্না পূক্নিং চঙনা হোৎনসি কন্না হায়। নখোয়না ইন্টর স্কুলগী ফুটবোল শান্নবা য়াওনীংলবদি অতৈ অতৈ স্কুলদা য়াওদুনা শান্নরুবা য়াগনি। রাম লাল পোল স্কুল অসিদি জোনষ্টোন স্কুল, বেঙ্গোলি স্কুল খরসিগা লাইরিক্তা কন্না লমজেল তান্নবা স্কুল ওইবনিনা শান্ন-খোৎনবরোমদদি কয়া কন্না পূক্নিং থাদবা ঙমখিরেই হায়না তাকপী। নখোয়না শান্নগে হায়রগদি অতৈ স্কুলদা য়াওরুচো। অদুমহায়না ওজা শ্যামজাইনা পার্মিশন পীবিবদগী ঐহাক রাম লাল পোলদা তম্লবসু শান্নবদি খুরাই পোপ্যুলর স্কুলদা য়াওদুনা শান্নরকখি। সুমাইনা ফুটবোলগী কেরিয়রসি হৌরকখি।

-মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫৭

১. ইন্দিয়াগী হোকি চীফ কোচ ওইনবা ওজা মপান লৈবাক্তগী নেকই। মখোয়না তন্বীবদা পেন্দ্রবদি মখোয়বু থবক্তগী লৌথোকই। অসিগুম্বা কোচ অহুম মথং মথং লৌথোকখি। মখোয়গী মহুৎ অনৌবা অমা খন্দ্রিঙৈদা নিপা অমবু অহুম্লক ওইনা হোকি ইন্দিয়ানা চীফ কোচ ওইনা থবক তৌহল্লি। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে?

২. ওলেম্পিক্কী শুটিংদা শিলভর মেদল ফংখিবা রাজ্যভরধন রাথোর পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ওইখি। মহাক্কুম্না ওলেম্পিক্কী শুটিংদা শরুক য়াখিবা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর অমগী মমিং হায়য়ু।

৩. 'বালনাল মাক্কী' করম্বা মশান্নদা শীজিন্নবা ৱাহৈনো?

৪. ইম্ফালগী সাইনিক স্কুলদগী হৌখিবা মহৈরোয় অহুম ফুটবোলদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবদা মমিং চৎপা শান্নরোয় ওইখ্রে। মখোয়গী মনুংদা অনী অমদি সমাটো সৈজা অমসুং নোংদম্বা নাওরেমনি। অহুমশুবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ক্লব অমদা শান্নরম্বা অদু কনানো?

৫. উৎলিবা শান্নরোয় অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্তোবর ১৫ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## সব জুনিয়র নেসনল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুগদবা মণিপুর টিমগী শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৬ (ঐচএনএস) : এম পিগী গ্বালিয়রদা লাক্লিবা ওক্তোবর ১৪দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৯শুবা সব জুনিয়র নেসনল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা মণিপুর টিমগী ফেন্সিং শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসিএলশিং খল্লে হায়না মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসন (এম এফ এ) গী সেক্রেটরি দব্লিয়ু রঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, নেসনল চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক খল্লবা মণিপুর টিমগী ওফিসিএলশিং অমদি শান্নরোয়শিং অদুদি ওফিসিএলদা কোচ ওইনা দব্লিয়ু সোমোরজিৎ অমসুং কে ওমি চনু। অদুগা মেনেজর ওইনা পি জুগোলচন্দ্রনি।

নুপাগী খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুনা এস দব্লিয়ু সীগী ও কে দিনেস, এস দব্লিয়ু সীগী সী ঐচ রোনেল, য়ু পি এ এগী ও দিনেস, কে ঐচ এস সীগী কে ঐচ য়াইফবা, য়ু পি এ এগী সী ঐচ ব্রাওসন, সাই আর সীগী আই নোংলেনখোম্বা, য়ু পি এ এগী সী ঐচ প্রিথিলাল, এস দব্লিয়ু সীগী এস থিরোজিৎ, য়ু পি এ এগী এস চীংখৈঙানবা, এস দব্লিয়ু সীগী ও বিকাস, এস য়ু পি এ এগী এন দেনিসন অমসুং এস দব্লিয়ু সীগী সী ঐচ টেজবন্তনি।

নুপী শান্নরোয়শিং অদুনা সাই আর সীগী দব্লিয়ু সোনিয়া, য়ু পি এ এগী এল বিদ্যালক্ষ্মি, সাই আর সীগী এল নিরমলা, য়ু পি এ এগী এন আশা, য়ু পি এ এগী এস ক্রাওনলেদি, সাই আর সীগী এস নেলসি রোজ, আর এস সীগী টি ঐচ সন্ধ্যা, এম আই আই এসকী টি প্রীটিরানি, এস দব্লিয়ু সীগী এল অবি, এস দব্লিয়ু সীগী এন জেসি, কে ঐচ এস সীগী কে ঐচ জেসিমা অমসুং এম আই আই এসকী এস ধনাপ্যারিনি।

গ্বালিয়রদা ওক্তোবর ১৪দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৯শুবা সব জুনিয়র নেসনল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুর টিমগী ওফিসিএলশিং অমসুং শান্নরোয়শিং অসি লাক্লিবা ওক্তোবর ১০দা গ্বালিয়রগীদমক ইম্ফাল থাদোক্কনি। অদুগা ওক্তোবর ২২দা ইম্ফালদা অমুক হল্লক্কনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

## অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ : টর্কি অমসুং ন্যুজিলেন্দ দ্রো চৎখ্রে



নবি মুম্বাই, ওক্তোবর ০৬(এজেন্সি) : লৈবাক অসিনা য়ূম্থু ওইরগা ঙসিদগী হৌদুনা পাঙথোক্লিবা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী গ্রুপ বিগী অহানবা মেচতা ন্যুজিলেন্দ অমসুং টর্কি দ্রো চৎখ্রে।

নবি মুম্বাইগী ডা. দি ৱাই পটিল ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ তাবদগী গ্রুপ বিগী অহানবা মেচ ওইনা ন্যুজিলেন্দ অমসুং টর্কি শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অহানবা মিনিট ১০দা টর্কি অমসুং ন্যুজিলেন্দ গোল অমত্তা চন্নখিদে। অদুমকপু অহানবা হাফকী শরুক অয়াম্বা টর্কিনা লাকচরপ তৌনা শান্নখি।

মেচকী ১৮শুবা মিনিটতা টর্কিগী ষ্ট্রাইকর অহম্মদ কুতুকুনা গোল অমা চনখি। অহম্মদ কুতুকুনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু টর্কিনা মায় পাকহন্নবগী লম্বীদা পুশিনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টর্কিনা মাঙজিল থারগা চৎলিবা গোল অদু ন্যুজিলেন্দনা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদা ন্যুজিলেন্দগী মায়কৈদগী টর্কিনা মাঙজিল থারগা চৎলিবা গোল অদু হন্দোক্কনবা কন্না শান্নরকখি। টর্কিগী মায়কৈদগীসু গোল অদু হন্দোকহন্দনবা নিংথিনা দিফেন্দ তৌরগা শান্নখি। অদুমকপু ন্যুজিলেন্দনা মেচ অদু মায়থীবা য়াদে হায়বগী মতাগুম অঙকপা ফংনা তকখায়রকখি। মেচকী ৫৮শুবা মিনিটতা ন্যুজিলেন্দগী কেপ্তেন মেক্স মাটানা গোল অদু হন্দোক্লা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। টর্কি অমসুং ন্যুজিলেন্দনা শান্নখিবা মেচ অদু গোল ১-১দা দ্রো চৎখি। মেচ অদুদা ন্যুজিলেন্দ মায়থীহৌগদবদগী মেক্স মাটানা কনখ্রে।

## অনীরক হন্না চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ঘনা অহানবা মেচতা মায় পাকখ্রে, পেরাগ্বেনা মালি মায়থীবা পীখ্রে




ন্যু দেল্লি, ওক্তোবর ০৬(এজেন্সি) : লৈবাক অসিনা য়ূম্থু ওইরগা ঙসিদগী হৌদুনা পাঙথোক্লিবা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী গ্রুপ এগী অহানবা মেচতা অনীরক হন্না চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ঘনা মায় পাকখ্রে।

ন্যু দেল্লিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ তাবদগী গ্রুপ এগী অহানবা মেচ ওইনা কলম্বিয়া অমসুং ঘনা শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ৩৯শুবা মিনিটতা সদিক ইব্রাহিমনা গোল অমা চনখি। গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা কলম্বিয়া মায়থীহৌখি। সদিক ইব্রাহিমনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু ঘননা গোল ১-০ দা মায় পাকপা ঙমখি।

গ্রুপ বিগী অনীশুবা মেচ ওইনা নবি মুম্বাইগী ডা. দি ৱাই পটিল ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুমিদাং পুং ৮ তাবদগী মালি অমসুং পেরাগ্বে শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অহানবা হাফতা পেরগ্বে অমসুং মালি গোল ২-২দা লৈখি। পেরাগ্বেগী গোল অনী অদুনা এ এঞ্জেলোনা মেচকী ১২শুবা মিনিট অমসুং এল সঞ্চেজনা মেচকী ১৭শুবা মিনিটতা চনখিবনি। অদুগা মালিগী গোল অনী অদুনা ঐচ দ্রামেনা মেচকী ২০শুবা মিনিট অমসুং এন্দিয়ায়িনা মেচকী ৩৪শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুগী অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদা টিম অনীমক্না মখা তানা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মেচকী ৫৫শুবা মিনিটতা পেরাগ্বেনা পেনালটি অমা কাওবগী খুদোংচাবা ফংখি। পেনালটি অদু এ রোদিগ্বেজনা গোল ওন্থোকখি। গোল অদু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা মালিনা হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। অদুগা পেরাগ্বেনা গোল ৩-২দা মেচ অদু মায় পাকখি।

## ত্রাইএল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৬ (ঐচএনএস) : ওল ইন্দিয়া স্পোর্টস কাউন্সিল ওফ দ দেফ ন্যু দেল্লিগী মিৎয়েং মখাদা ঝরখণ্ড স্পোর্টস কাউন্সিল ওফ দেফনা য়ূম্থু ওইরগা জমসেদপুরগী মেগা স্পোর্টস কমপ্লেক্স খেলগাওন গোদৱারা রাঞ্চিদা লাক্লিবা দিসেম্বর ১দগী ৭ ফাওবা দেফকী ২২শুবা নেসনল গেমস পাঙথোক্কদৌরি। নেসনল গেমস অসিদা শরুক য়ানিংবা এথলেটশিংগী ওইবা ত্রাইএল সেলেক্সন অমা লাক্লিবা ওক্তোবর ৮গী অয়ুক পুং ৮ তাবদগী পাঙথোক্কনি হায়না মণিপুর দেফ স্পোর্টস সোসাইটিগী সেক্রেটরি এ সনাতোম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ত্রাইএল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা এথলেটশিংনা মখোয়গী অকুপ্পা মরোলশিং অদু ওক্তোবর ৭ ফাওবগী মনুংদা এস এম এসকী খূথাংদা পীরকপা য়াগনি। শান্নরোয় খুদিংমক্না সোসিএল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা পীবা ফোটো য়াওবা আইদেন্টিফিকেসন লেটর অমসু লোয়নরক্কদবনি। নেসনল গেমসকী ত্রাইএল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা এথলেট খুদিংমক্না মোবাইল নম্বর ৯৪০২৬৭৮১১৬ তা কোল তৌরক্লগা নৎত্রগা এস এম এস থাররক্লগা খঙবা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

## অন্দর-১৩ অমসুং অন্দর-১৬কী ওইবা অনীশুবা সনফিষ্ট কপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৬ (ঐচএনএস) : এস পি টি স্পোর্টস মেনেজমেন্ট প্রাইভেট লিমিটেদ বেঙ্গলোরগী মিৎয়েং মখাদা লাক্লিবা ওক্তোবর ২৩দগী ৩০ ফাওবা ইম্ফালদা অন্দর-১৩ অমসুং অন্দর-১৬কী ওইবা অনীশুবা সনফিষ্ট কপ পাঙথোক্লগনি হায়না অনীশুবা সনফিষ্ট কপ ২০১৭কী টুর্নামেন্ট কোওর্দিনেটর ৱাই অরুন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অনীশুবা সনফিষ্ট কপ অসিদা শরুক য়ানিংবা স্কুল অমদি ক্লবশিংনা মরী লৈনবা টুর্নামেন্ট অসিগী অকুপ্পা মরোলশিং টি জি নেট ইন্টরপ্রাইজেস অমসুং থাও গ্রাউন্দদা লৈবা কোচ ওইরিবা মিষ্টর সিবদত্তদগী দুকান্দগী লৌরবা য়াগনি।

অনীশুবা সনফিষ্ট কপ অসিদা শরুক য়ানিংবা ক্লবশিং অমসুং স্কুলশিংনা এন্ত্রি ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা ওক্তোবর ১৯নি। অদুগা শান্নরোয়শিংগী মেদিকেল চেক-অপনা ওক্তোবর ২০ দা পাঙথোক্কনি হায়নসু অনীশুবা সনফিষ্ট কপ ২০১৭কী টুর্নামেন্ট কোওর্দিনেটর ৱাই অরুন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

## সেলেক্সন টেষ্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৬ (ঐচএনএস) : বেঙ্কোক্তা নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন জিট কুনেদো কপ ২০১৭ অমসুং ওক্তোবর থাদা গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন কোম্বার্ট গেমস ২০১৭তা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরগী ওফিসিএল অমসুং প্লেয়রশিংগী ওইবা জিট কুনেদো সেলেক্সন টেষ্ট অমা লাক্লিবা ওক্তোবর ৮গী অয়ুক পুং ৭ তাবদগী য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্লগনি। মরম অসিনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিংনা মতম চানা লাক্লগা রিপোর্ট তৌরগদবনি। মতম থেংনা লাকপা প্লেয়র নৎত্রগা ওফিসিএলশিং অদুগী ৱাফম খন্নরোয় হায়নসু জিট কুনেদো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি ডা. এম ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৬ (ঐচএনএস) : ইম্ফালগী পোলো গ্রাউন্দদা লাক্লিবা ওক্তোবর ২২দগী হৌদুনা ৩৩শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৭ পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসনগী ওর্গেনাইজিং সেক্রেটরি টি ঐচ চা মঙ্গিলালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন্দা এফিলিএট তৌবা পোলো ক্লবশিং অমদি টিমশিংনা ৩৩শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৭ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক লাক্লিবা ওক্তোবর ১৫ ফাওবগী মনুংদা এসোসিএসন অসিগী ওফিসতা এন্ত্রি ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী এন্ত্রি ফীনা লুপা ৫০০ ওইগনি হায়রি।

## মণিপুর টিমগী সাইক্লিষ্টশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৬ (ঐচএনএস) : কর্ণাটাকাগী জমাখন্দিদা লাক্লিবা ওক্তোবর ২৮দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২২শুবা নেসনল রোদ সাইক্লিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা মণিপুর টিমগী সাইক্লিষ্টশিং খনখ্রে হায়না মণিপুর সাইক্লিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ঐচ বিক্রমজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর টিমগী খল্লবা সাইক্লিষ্টশিং অদুদি জুনিয়র বোইজদা সাই আর সীগী ব্রোজেন্দ্রো য়েংখোম, সব জুনিয়র বোইজদা এস সী এগী এলাংবম লনচেনবা, য়ু এস এগী নোংপোকঙানবা ৱারেপ্পম, ঈ এস য়ুগী এন প্রেমজিৎ, য়ু জি এল ৱাই এগী সী ঐচ নিসন, য়ু এস এগী এন বিকি অমসুং ৱাই পি ঐচ য়ুগী ঐচ থোমাসনি। য়ুথ বোইজদনা সাই আর সীগী ৱাই বিসাল অমসুং ৱাই পি ঐচ য়ুগী কে ভিক্তরনি। সেনিয়র ৱিমেন্দনা সাই আর সীগী এম সোনালি চনুনি। অদুগা য়ুথ গার্লসকীনা সাই আর সীগী এল বিশেশ্বরি চনু অমসুং সাই আর সীগী কে ঐচ বিজেতানি। টিম অসিগী কোচনা টি জয়েন্তা অমসুং মেনেজরনা ৱাই ইনাওনি।

খল্লবা সাইক্লিষ্টশিং অসিনা কোচ অমদি মেনেজরদা রিপোর্ট তৌরগদবনি। মণিপুরগী টিম অসি লাক্লিবা ওক্তোবর ২৩দা ইম্ফাল থাদোক্কনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।




